ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯸꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুন ২২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৮৯ শুবা মশীং

# ইম্ফালগী ট্রাফিক রেগ্যুলেসন

## *ট্রাফিক্কী চৎনা-কাঙলোন ঙাক্তবশিং ফাইন থিহনগদবনি*

**হৌখিবা** চহী ২০ লোম অসিদা ইম্ফালদা অঙকপা ফংলবা অহোংবা কয়ামরুম উবা ফংলে। লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নিপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা শাখিবা কৈশাম্পাৎ থোং অসি করম্বা মতমদা মবুক থন্না মী চৎকদগে হায়না খন্নখি। অদুবু হৌজিক্তি থোং অসি শারমদ্রগদি মীয়ামগী চথোক-চৎশিন তৌবসি করম তৌরমগদগে হায়বা ৱাহং হংনিঙাই ওইরে। ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদা লুপা ক্রোর কয়ামরুম চাদিং তৌদুনা শিংজমৈ মায়কৈ, কৈশাম্পাৎ মায়কৈ, ৱাহেংবম লৈকায়, তেরা মায়কৈ, উরিপোক মায়কৈ অমসুং থাংমৈবন্দনচিংবা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বী খুদিংমক চাউথোকহনখি। মতমদুদা লাকখিবা মীৱা-মৈশা পুন্নমক লৈঙাক্লা খাঙলগা মীয়ামগীদমক তৌরম্বা থবকশিং অদুনা ঙসিদি ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিং মওং চুন্না থম্বা ঙল্লমখি। অদুবু লুরিবদি মতম অমদা পাকখ্রবা লম্বীনি, করম্বা মতমদা লম্বী অসিদা ট্রাফিক জাম থোক্কদগে হায়না খন্নখিবা পংকুই কুইদ্রিঙৈ হৌজিক্তি মফম খুদিংমক্তা ঙাইহাক লৈতনা মীয়ামগী চথোক-চৎশিনদা অপনবা থোক্লে। দিল্লি নৎত্রগা লৈবাক অসিগী চাউখৎলবা ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা ট্রাফিক জাম অদুগা য়েংনরুরগদি মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা মী চিনবা হেনগৎলকপগী মওং-মতৌ অসি করিসু নত্তে হায়বা য়াই। কোলকট্রাগুম্বা সিটিদদি লম্বী মতেক অমা লাম্থোক্লনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতীক মতম চঙই। দিল্লিদদি গাড়ী নম্বরদা তুমাশুবা অমসুং শুদবা হায়না খায়দোক্লগা নোংমা চেনবা য়াবা অমসুং য়াদবা হায়দুনা অথিংবা থমজিল্লগা ট্রাফিক্কী ভোল্যুম হন্থহন্নবা হোৎনৈ। অদুবু মণিপুরদা মীয়াম্না ঙাইহাক লৈতনা লম্বী চিল্লে হায়রিবসিদি ট্রাফিক জাম অমনি হায়না লৌবা য়াদে। থোরক্লিবা লম্বী চিনবগী মওং মতৌ অসিদি লম্বী চৎলিবশিংনা ট্রাফিক্কী রুল এন্দ রেগ্যুলেসনশিং নিংথিনা ইন্দবদগীনি। ট্রাফিক পোইন্টশিংদা মমাঙদা খামদুনা মহাক্কী লাম্থোকপগী টর্ন ঙাইরিবা গাড়ী অদুগী মতুংদা মথং-মথং পরেং লেংদুনা ঙাইনরগা লৈগদবদা অহানবা তান্নবগী মওংদা পংথৌদা থৌজিন্নরকই। মসিনা লেন মরিগী লম্বী অসিদা নাকল নাম্মা ফাৎতোক্লগা থমগদবদু পুল্লপ ফুঞ্জিন্দুনা গাড়ী অমগা গাড়ী অমগা চিকশিন্নদুনা লৈবনা থৌদোক-থৌজিন তৌবদা ফাওবা অপনবা থোরকই। তশেংনমক্কীদি অসিগুম্বা ট্রাফিক্কী কাঙলোন থুগায়বা কাঙবু অসিদগী ফাইন লৌগদবনি। ট্রাফিক্কী পুলিস পার্সনেল খরদা টি আর ককপা ঙম্বগী মতীক ময়াই শিন্নগদবনি।

ইম্ফাল সিটিদা থোক্লিবা লম্বীগী খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা থবক কয়ামরুম পায়খৎতুনা লাকখি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক অসিগী অহানবা খুৎ থাবা ওইনা ট্রাফিকখক্তগী ওইবা সুপরিন্টেন্দেন্ট পুলিস (এস পি) অমা থমখ্রে। এস পি অসিগী মখাদা এদিস্নেল এস পি, দি এস পি, এস আই, এ এস আই অমসুং মখল কয়াগী পুলিস পার্সনেলশিং লৈরগনি। হান্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী এস পিশিংগী মখাদা লৈরম্বা ট্রাফিক পুলিসশিং দিষ্ট্রিক্ট এস পিশিংদগী খায়দোক্লগা এস পি ট্রাফিক্তা ম্যেন পৱার শিন্নরগনি। শম্না হায়রবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাফিক্কী রেগ্যুলেসন পুন্নমক ট্রাফিক্কী এস পিনা তৌরগনি। হীরম অসিগা মরী লৈনবা চে-চাংশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থোক্লগনি। হান্নদি সহর মনুংগী চথোক-চৎশিনদা অপনবা থোক্লম্বশিং দিষ্ট্রিক্ট এস পিগী মীৎয়েং মখাদা লৈরিঙৈদদি পুলিস পার্সনেল পুন্নমক অমুক্তদা শিজিন্নদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবা ঙল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি এস পি অমনা তোঙান্না থবক পুখ্রবা মরম্না দিষ্ট্রিক্ট এস পিশিংনা মখোয়গী ম্যেন পৱারশিং এস পি ট্রাফিক্কী থবক থৌরমদা শিজিন্নগে হায়বদা পীনিংলোইদবা লৈবা মরম্না ট্রাফিক পুলিসতসু অহেনবা ফোর্স ময়াম অমা পীশিনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মতমদা তঙাইফদবা লৈরগদি ট্রাফিক্কী এস পিনা দিষ্ট্রিক্ট এস পিশিংদগী তেংবাঙ নিরকপদা পীগদবনি হায়বা অকক্লবা কাঙলোন অমা লৈহনবসু মীয়ামগী ওইনা কান্নগনি হায়না লৌই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ট্রাফিক্কী এস পি হায়বসি হৌজিক্কী মতমদদি য়াম্না মরু ওইবা পোষ্ট অমনি। মীয়ামগী চথোক-চৎশিনদা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা হোৎনবদা অয়ুক অঙনবদগী নুমিদাংগী পুং ৭ ফাওবদি মথৌ তৌদবা য়ারোই। লম্বীগী খুদোংথীবা ঙাইহাক লৈতনা থোক্কনবা মফম খরদা অহেনবা ট্রাফিক পুলিস থম্বগী তঙাইফদবা অদুসু এস পিনা লেপচগদবনি। কমদৌনা ট্রাফিক রেগ্যুলেট তৌগদগে হায়বগী থৌশিল মশানা শেমজগদবনি। মরু ওইনা টিদ্দিম লম্বীগী হোদাম লৈরক মপাদা ঙাইহাক লৈতনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনাগী থৌদোক কয়ামরুম থোক্লিবসি কোকহন্ননবগীদমক অনৌবা এস পিনা টাফিক্কী বুঠ অমা মফমসিদা থম্বীয়ু হায়জনিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### হৌখিবা ইপুধৌ ইবেন্ধৌ নীংশিংসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হষ্টিনা** কৌবা মফমদুগী নিংথৌ জনমেজয়গী অপোকপা লিননা চিক্তুনা শিখি। নিংথৌ জনমেজয়না য়াম্না শাউদুনা মৈগী জ্ঞগ্যা অমা তৌদুনা লিন পূন্নমকপু কৌখৎখি। লিনগা মরী লৈনবা জীব লোয়না হাত্তোকপীখি। হাৎপা লোইখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মরাই চাইথরকখি। শগোল, শামু মরাই চাইথরকখি, লন থুম ময়েং তারকখি। থবক খুদিংমক্তা দাও য়ারক্তে। মসি পূন্নমকসি উরদুনা জনমেজয় নিংথৌনা অখঙ অহে পন্দিগাশিংগী নাক্তা চৎলগা মরম পূন্নমক হংখি, নৈনজখি। অখঙ অহেশিংদুনা তাক্লকখি মদুদি নিংথৌ নহাক্কী লৈবাক অসিগী মপা মপু পূন্নমক্কী হৌখিবা ৱারী লমচৎ তাবিয়ো, ৱারী লীরগা তাহনবীয়ো অদু ওইরবদি লংজরুবা পাপ পূন্নমক কোক্কনি হায়না অখঙ অহে লাইনীং অহলশিংনা তাকপীখি। মতুংদা নিংথৌনা মীয়ামগা লোয়ননা মপা-মপুগী ৱারী লোইনা তাখি। ৱারীশিং অসি মহাভারত অমসুং রমায়ন মপা মপুগী ৱারী অসি ওইখি। ৱারীশিং অসি তাখিবগী তুংদা লৈবাক অসিগী দাও য়াদবা, মরাই চাইথবা, মপা-মপুশিংনা তৌখিবা, মপুধৌনা লমচৎশিং তাখ্রবগী তুংদদি লৈবাক্কী অৱা অনা কোকপা হৌখি। লাইথুং লায়না কোকচখি। লন থুম লৈবা হৌরকখি, চাওখৎলকখি। মসিগী মতৌগুম্না ঐখোয়গী মণিপুর কংলৈপাক অসিদসু থকসি-খাসি লৈত্রে, ফিজেৎ-চাকচা মান্নদ্রে, চৎনবী ধর্ম্ম হাৎনরে, চারোল-শুরোল মপা-মপু, মপুধৌ আ ফাওবা কাউথোক্লরে, চাওথোকচবা, ঙাইহাক্কী ওইজবা পাম্বা, থম্মোয়দি শেংদোক্তবা, শক ফজবা তান্নবদা লৈবাক পুমকাই কায়রে। অমগা অমগা হাৎন-শুরে। চিংথোক চিংশিন তৌদুনা শক্তি মুন্নরে। মতিক লৈরবা লৈনাও তবীনা লম কোয়না কোয়না চৎতুনা চাবা চিঞ্জাক কয়া তম্বীখি ৱাখলদি য়াওদে। মী, জীব হিংনবা পোৎশক্তি চিঞ্জাকনি হায়বসি মখোয়না খঙবীদে। ঐখোয়গী ঈ মরী ইপা নিংথৌরেল, ইপুধৌ ইবেন্থৌ হৌরকফম শাৎফম ফিদম্নীংঙাই ওইরবা মাঙখিবগা মান্নরে। মরম অসি লৈবনা ইপা, দাদা, খুরা, ইবেম্মা, ইবেন্থৌগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি, কংলৈপাক মণিপুর অসিগী নিংথৌ ইতিহাস, ফিদম্নিংঙাই ওইরবা হৌফম শাৎফম ওইরবা ঈগী মরীশিং জমেনজয় নিংথৌনা মহাভারত অমসুং রমায়নগী ৱারী মপা মপুগী ৱারী তারগা মরাই চাইথবা পাপ কয়া কোকখি।

*অদোমগী - মোংজম গম্ভির খুমন*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১। ‘খুমন কংলৈরোল’ কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা অদু কনানো?

২। ‘‘ঈগী হৌরকফম ঈরৈপাক্লি/অতৈ ইমা অরায়বনি/পোক্লফম লমদম ইমানি।’’ পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘থোৎলবা হকচাং কয়াৎ/নোংমৈ গুলিনা পাল্লবদা/...ঈ থোক্কনি/... খনবিদবা করিগীনো?’’ পরেংশিং অসিনা টি সনামচাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।

৪। হোমরগী ‘ওডিসী’ বু মণিপুরীদা হন্দোকপা মীশক অদু কনানো?

৫। ‘মণিপুরী সাহিত্য’ কৌবা নৈন-ব্রারেং লাইরিক অদুগী অইবা কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ময়ি চৎলবা লুহোংবা - করম’ তাইশিন্নগনি!

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

মতম খরগী মমাঙদা ঐগী মোবাইলগী ‘ৱাটচপ মেসেজ বোক্স’ তা পাউজেল অমা ফংখি। পাউজেল অদু কনাগুম্বা অমনা মাগী পুন্সি খোঙলোয়, ‘লোয়নবী’ অদুবু শৈথাদুনা ইবনি। শৈরেংগী মওংদা, তাম্থা নাইবা ৱাহায়দা, হিন্দি লোন্দা ইবনি। ৱাহৈ পরেং মঙা-তরাখক নত্তে। ফনা শাংবা শৈরেংনি। খঙই-অইবা নুপা কবি’দু ‘মতৃ’ না (ফজদবা ৱাহৈনি খনবীনু হায়গে খন্না হায়রিবনি) থওইবিদ্রবা, থওইবিদবমক নৎত্রবসু মীরায়বীরবা ‘মৱা’ অমা শোয়দনমক্কী ওইরম’নি। মাগী ৱাহৈ খরা অসি য়েংবীয়ু... *নুংশিরবা মরুপলোই, ঙসি ঐহাক অঙকপা থৱায় পানবা অমগী মরমদা ৱাহৈ খরদং পাউদমজগে তাবীয়ু। মহাক্কী মমিংনি - য়ূমগী নুপী, মহাক্কী লৈফমনি চাকখুম নৎত্রগা টি ভি সেট মমাঙ, ঈশিং থকপদগী হেন্না নুপাগী ঈ থকপতবু পামজবনি, ৱারৌ-চাউবা মতৌ অদু উৎথোক্লগা পেঞ্জবনি, ইমোসনেল ব্লেক-মেল-মাগী পামজবা খূৎলায়নি, মাগী মনাক নক্লবগী শোয়ফদ্রবা খুদোলনি - তেন্সন কৌবা, পুন্সি চুপ্পা নারদৌবা লায়েংবা ঙমদ্রবা লায়না ... রামায়ন কৌবা লাইরিক্তু, নুপীতবু মাঙদা থল্লগা ইখিবনি বাল্মিকীনা - লক্ষ্মননা মাগী নুপী উর্মিলা সনা কোনুংদা হুন্দোক্লম্লগা, রামনা মাগী লোয়নবী সীতাবুদি পুদুনা চৎখি উমংদা, রাবন’না মাগী নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পগী নুপীবু হুদুনা ‘পুখি লঙ্কা’দা, শুগ্রীবনা রামগী মীচঙদা লেপ্তুনা বলিগী মথক্তা লান্দাখি, বলিগী মখূৎ চনখ্রবী মাগী নুপীদু অমুক হন্না লৌনবা, মশাগী নুপী লৈজদবা হনুমান, অতোপ্পগী নুপী কন্নবা লংকা মৈ থাদোকখি, মীখূৎ চনখ্রবী নুপীদু অমুক হন্না লৌনবা রাম’না লান শোক্লখি কোরৌ নুমিৎ তরানি ... সীতা মহাকথক্কী লংকা লৈবাক তুমখিবা, অযোধ্যা লৈবাক চাইখিবা, কাইনথঙদা মহাক্লা লৈনুং চঙখিনবরা? ... অসি য়ৌনা লৈপাক কাংখোং চাইখিবা, মীশি-মীনা থোকখিবা করিদগীনো? ... নিংথৌ দশরথ’না নুপী অহুম লোল্লুবদগী। ভগবান রাম’মক্লা লাক্লবা ঙমখিদ্রবা নুপী কৌবা জীবনি, ইচম চম্বা ঐখোয়না করম্নদি লাক্লনি...’* অসিতা নত্তে, শাংলবা কম্মেন্টরি অমনি। ঐহাক থাজে, পাউজেল অদু ঐহাকখক্তদা থারকপা ওইরম্লোই। ফংনরমগনি অতৈসু। হিন্দি লোন্দা ইরকপা পাউজেল ওইবদুদা মীয়াম্না থওইরুদবা ওইরম্নি। অমুক্তা নত্তে, অনী অহুম্লক পাখি ঐ। মরুপ মপাঙ খরদসু পারগা হন্দোক্তুনা তাহনখি। খরা অমনদি ‘মাগীদু মীমান্নদবা মীৎয়েং অমনি’ হায়রগা শমজীনখি, খরনা নোকখি, খরনা তাও য়াখিদে। ঐদি খোয়দৌ শাউগৎখি- করি? মীবু মশক খঙদবা! পুন্সি খোঙলোয় অমবু মশক খঙবা ঙমদ্রগা, করেম্ননা লক্লবা য়াবরা? মাগীদমক, মচাগীদমক মাগী নুপীনা ওইজবা কয়া থাদোকখিবা, অৱাবা কয়া খাঙখিবদুদি উবা করিগী ঙমদ্রিবা? কৈকেয়িনা দশরথকীদমক পাঙথোকখিবা থৌদাং অমদি থৌগায়শিং অদুদি করিগী শীংথাবীদ্রিবা? দশরথনা করিগী কৈকেয়িগী ৱা হীক্তোকপা ঙমখিদবনো? নৈনরুবা কান্ননি। মন্থরাদি কনানো? নম্বোনবী, শকথীবী ওইজবা থিবী ওইনা উবরা? মন্থরাগী মরলনা অযোধ্যা লৈপাক শেমগৎপদা কয়াম মতেঙ ওইখিবা। তৌবীমল খঙদবা নুপাগী মতৌ অদুদি করিগী কাউথোকখিবনো ৱাখল লৈবা শৈরেংবা?

কায়রবা য়ূম্বান অমদা কায়রবা থম্মোয় অমগী পাউদম ওইনা থারকপা মেসেজ অমগা লৈ। খঙবীনীংবরা? নীংশিংজরক্লে। লুহোংবগী মমাঙ অমসুং মতুংদা ওইরকপা নুপী-নুপাগী মওংনি- লুহোংদ্রিঙৈ হীরো নম্বর ৱান, লুহোংলবা মতুংদা কুলি নম্বর ৱান, লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - নহাক্তনা মরোইরে, লুহোংলবা তুংদনা - করিনুংগী থেংনরুবা; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - ঈনাক্তগী হেন্দে দাকপীনু, লুহোংলবা মতুংদা - ইমাঙদা উহনবীরনু; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - নহাক য়াওদা হিংবা ঙম্লোই, লুহোংলবা মতুংদা - খাঙবা ঙমদ্রে নতৌদো; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদনা - করিগুম্বা খরদি হায়য়ুদা! লুহোংলবা মতুংদনা - ওক্লে, খারে, তোকপীরো!...

ঙসিগী ৱারেং অসিগী সবজেক্ট ওইনা লৌখৎকে খঞ্জরুরিবা... ‘কায়রবা য়ূম্বান’! নৎত্রগা, ‘ময়ি চৎলবা লুহোংবা’! হায়বা ৱাফম অসিনি। ৱাফম অসি ঙসিগী খুন্নায় অসিনা তরায়না লৌফম থোক্তবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। নুংশিননা চেল্লক্তুনা য়ূম পান্দুনা লৈমিন্নরকপা চহী ওন্দ্রিঙৈ খাইনবা। মচা লৈরবা মতুংদা ‘হু তরেৎতগী হেন্না খারবা’ মরী অমা ওইরকপা... মখল কয়াগী কায়রবা য়ূম্বানগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈকায় খুদিং মশীং থীঙমদনা লৈরম্মী। ৱায়েনশঙদা ৱাকৎনদুনা কোর্টকী য়াথং ঙাইদুনা লৈবা খরা, ইমুং মশেন তেশিন্নদুনা ৱাকোং শেল পীনরগা খাইনদুনা লৈবা কয়া, পাম্বৈ অনীমক্লা তেশিন্নবা ঙমদদুনা নাকল অনীমক মুক্ল দুনা অনম তান্নদুনা লৈবা খরা। ফেমিলি কোর্ট’তা নোংমখক চৎলগা য়েংবীরুচো। তাবা ফংবীরক্কনি - কম্মর্সিয়েল দিজিতেল ফিল্ম/ফেমিলি দ্রামা কয়াগী মচাক্লা থন্না য়াওরবা ৱারী কয়া।

অদুগা পূন্নমকসি ইনৎ নত্তবা, মপান্থোংদা নুংশিননা, ঈংনা লৈমিন্নবদি মাল্লগা, কৈদৌঙৈদা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা য়াররোইদবা য়ূম্বানসু লৈ লৈপাকসিদা মশীং থীবা ঙমদনা। ঙসিদি তাইবঙপান থাদোকখ্রবা, চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরা ঈংলবা য়ূম্বাল অমগা শাগোন্ননা হিংখি খনজবা অহল অমনা ঐঙোন্দা হায়রম্বদু নীংশিংলকই - ইবুংঙো, য়ূম্বান-পুন্সিদা শান্তি ফংগনি হায়বদুদি মঙদফাওবা মঙলুনু, ঐনা হিংলিবসি নোরোক্লি খল্লগা হিংবা হৈবদুনি মায় পাকপা য়ূম্বান।

অসুম্না, নুপা-নুপী অনীনা লুহোংদুনা য়ূম্বান পুন্সি অমা লেনমীন্নরুরবা শোয়দনা ময়ি চৎলগদবনি হায়বসিদি ‘মালেম পূম্বনা য়ানরবা অচুম্বা’ (য়ুনিভর্সেল ফেক) অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। মরমদি, নোংচুপলোমগী খুন্নায়দা চহী কুন খাইনদনা য়ূম পানমিন্নরক্লবা য়ূম্বান হায়বসি ‘মায়পাক্লবা য়ূম্বান’ (সক্সেসফুল মেরিএজ) অমনি হায়না শীংথানৈ। ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নায়সু ইশাগী ত্রেদিসনেল ভেল্যু কাউথোকখিদুনা, নোংচুপলোমগী পুন্সি শক্তম অমদি ফিদম অদুবুনা হেন্না মরুওইনা/মমল লৈনা লৌনরকপা অসিনসু ‘ব্রোকন মেরিএজ’ অমগী মরু ওইবা ফেক্টর অমনি। হান্নগী ভেল্যু সিষ্টেমদা চূশিন্দুনা লৈখ্রবা মীরোল অমদি কুম্মাথোইশুবা চহীচাগী ভেল্যু সিষ্টেম অনী অসি কন্না মুকখায়নরকপা তানফমনি। হৌজিক ওইরিবা থাক অসিদগী হেন্না শোকচিল্লকখিনি, মায়োক্লনবা শেম শাবা হৌবা তাই।

এসোসিয়েসন ফোর কুপলস ইন মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট! ইনি দয়াদা অমুক্তা থেংনদ্রি ওর্গেনাইজেসন মখল অমনি। লুহোংবগী মরী ফগৎহনবা মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট হায়বসিমদি য়াম্না মরুওইবা ৱাহৈ অমনি। মসিমদি ঐখোয়সু খন্নবা চুম্মী। কার/স্কুটর তোংদুনা চৎমিন্নবা উরগা মতৈ-মনাও অনীগী মরী চেৎশিন্নরমখিনি খনবসু লানগনি। সাহিত্য শুবশিংনা মশীং নাইদনা পুথোকখ্রে। মতম চূপ্পদা নুপীশিংতবু অরানবা তাহল্লি। নুপানা নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপীগা য়ূম্বান মরী থম্নবা, আইন’না ঙাকপীরগদি - লীচৎ অদুমক নুপীনা চৎলুবসু কায়দে - ৱেষ্টর্ন সোসাইটিগী মাইন্দ সেট’নি। অসিগুম্বা মাইন্দ সেট অসি মফম খুদিং শন্দোরকপসিদনি নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা।

চুম্মী, য়ূম্বান মরীদুনা ময়ি চৎত্রিঙৈ, য়ূমপাল্লবা নুপা-নুপী খুদিংমক্লা মেম্বর ওইবা ‘মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট এসোসিএসন’ শেম্বা মথৌ তারক্লে। এসোসিয়েসন অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌমীনি - ‘মেরিয়েজ কাউন্সেল্লর’।

# দেপ্যুটি সী এম য়াওবা ইন্টরনেসনল যোগ দে ২০১৭

**সোরোক নোরেন**

**অহুম্লকশুবা** মালেমগী যোগ নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু মশীং খঙদনা ইন্টরনেসনল যোগ দে ২০১৭ পাঙথোক্লরি। জুনগী তাং ২১, ২০১৭ য়ুমশকৈশা নুমিৎ অসিদনি মফম খুদিংমক্তা যোগ দে পাঙথোক্তুনা মীপুম খুদিংমক্লা পালন তৌনরিবা। খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোকপা যোগ নুমিৎকী শরুক অমা ওইনা ঐনা য়াওরুবসু খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদনি। হায়রিবা থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওনরেবল দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমারনা ওইরগা থৌরম মপূনা ভারত স্বাভিমান ত্রষ্ট, মণিপুরগী চীফ পেত্রোন বাসুদেব সিংহনি। সিনাম রাজেন্দ্র চ্যেরমেন, মণিপুর মেদিকেল কাউন্সিল, খোইরোম লোয়ালাকপা চীফ এদিটর, নহারোলগী থৌদাং অমসুং বি স্নেলতা দেবীনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা থৌরম অদু অয়ূক্কী পুং ৭.১৫ চপ চানা হৌখিবা যোগগী থৌরম অমা ওইখি।

মালেমগী যোগ নুমিৎ হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা খঙনবা হৌখিবসি জুনগী তাং ২১, ২০১৫ অসিনি। হন্দক চহী থারগা অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোকপা হৌরিবা নুমিৎ অসিবু মীয়াম্না য়ান্নবা হোৎনখিবনা কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বরদনি। থা অসিদা থমখিবা য়ু এন সীগী মীফমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা যোগগী মচং ওইবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা নৈনখি। মরীক চুম্বা ৱারোল কয়া তারবা তুংদা যোগগী কান্নবা পূন্নমক খঙবা ঙল্লবা লৈবাক ১৭৭ নদি নুমিৎতুদা অয়াবা পীখি। অদুবু করম্বা নুমিৎতা মালেমগী নুমিৎ হায়না চৎনবা হৌগদগে হায়বদুদি দিসেম্বর থাগী তাং ১১, কুমজা ২০১৪ দা চপ চানা লেপখি। চহী অমগী মনুংদা নুংথিলগী মতম খ্বাইদগী শাংবা নুমিৎনি হায়না লৌনরিবা জুনগী তাং ২১ বু মালেমগী যোগ নুমিৎ হায়না পালন তৌবা হায়বা অকনবা ৱারেপ য়ু এন সীগী মীফমনা মত অমত্তা ওইনা য়াখি। জুন ২১ বু মালেমগী যোগ নুমিৎ হায়না পাঙথোকপা য়ারবনিনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা মীওই লাক্ষ মঙা হেনবনা শরুক য়াদুনা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিবু মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফম খরদং পনবা তারবদি চুম্নগী হকচাং শাজেল খক্তা নত্তনা শান্তি ওইনা নুংশি চান্ননা ঐখোয় অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী পাউজেল পীবনি হায়না য়ানরি। অসিগুল্লবা শান্তিগী পাউজেল পুরিবা নুমিৎ অসিদা মীপুম তিংনা হৌনরুবা তৌদনা যোগবু মশান্না অমা ওইনা শান্নরিবা খুদিংমকসে থাগৎফম থোকই। ঙসিদি ঐগী ইরমদম অসিদসু যোগগী খোঙথাং অকনবা মওং অমা ওইনা চঙশিল্লি। হন্দক্কী চহী থারগা অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোকচরবসু যোগবু পাম্বা মীওই নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা লেপত্রি।

দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমার য়াওবা ঙসিগী মালেমগী যোগ নুমিৎ অসিসু চাউখ্রবা খুমন লম্পাক্কী ফেন্সিং হোল মীনা চিক্লা চাইনবা ঙমখিদে। তঙাইফদবা থৌরম অমা ওইরিবা কম্মন প্রোটোকোলখক্তং শান্ননবা হোৎনবদা মফম লৈতবদগী প্রোটোকোলগী কাঙলোন খরদি থৈদোক থৈজিন তৌবা তাখি। অথোইবা মীথুংলেন ওইবিরিবা ঙসিগী ওনরেবল সেপ্যুটি সী এম পটাঞ্জলি যোগ সমিটি, ভারত স্বাভিমানগী পেত্রোন মেম্বর ওইবিরিবনি। মশানা যোগবু থৱায় য়াওজবদা নত্তনা মশাগী অরৈবা লম পুথোক্তুনা যোগ শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎলিবা অচঙবা পেত্রোন মেম্বর ওইরিবা ৱাই জয়কুমারগী মচং ওইবা ৱাফম শিংথানিঙাই ওইখি। শুপ্নগী হকচাং শাজেল মখল অমা ওইনখক্তা উদনবা পীরিবা যোগগী পাউজেলবু হরাউ তয়াম্না ইনবনা অফবা পুরক্কনি হায়খি। চহী খুদিংগী থংনা থংননা অহুম্লক পাঙথোকপদা অপূনবা পাঙ্গল ওইদুনা লাক্লবা ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট), পটাঞ্জলি যোগ সমিটি, মহিলা পটাঞ্জলি যোগ সমিটি, যুব ভারত অমসুং পটাঞ্জলি কিষান সেবা সমিটি মণিপুরনি। চুম্নগী চহী অমদা যোগ নুমিৎখক্তা পাঙথোক্লবা হোৎনবা নত্তনা যোগ ক্লাস অমদি পুং ১০০ গী ত্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎতুনা যোগবু মালেমদা অচুম্বা লম্বী উৎনবা হোৎনরিবা মপূং ফারবা সমিটি ঙাক্তনি। হায়রিবা পুং ১০০ যোগী ত্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ারবা নহা অহল কয়াসু মশীং থীবা ঙমদনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। ঙসিদি মণিপুরগী লৈমায়দা পটাঞ্জলি, যোগ সমিটিগী সেন্তর ২০০০ গী মথক্তা লৈদুনা মপূং ফাবা যোগ শান্নরোয় কয়া লৈরে। মরুওইনা পূক্লিং থৌগৎপা য়ারিবনা লৈকায় লৈকায়গী কম্যুনিতি হোল শাবিবসিনসু অমুক্কা হেন্না যোগ শান্নবদা অদুক্কী মতিক মতেং পাঙখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ঙসি খুমন লম্পাক্কী ফেন্সিং হোলদা দেপ্যুটি সী এমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইবিরগা পাঙথোল্লিবা মালেমগী যোগগী নুমিৎ অসি হোল অসিগী হেক অৱাংদা লৈরিবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদসু চাউনা পাঙথোল্লিবনি। মফম অসিদনা ওনরেবল সী এম এন বিরেন মশা য়াওনা কম্মন প্রোটোকোলগী মশান্না কয়াসু পাঙথোল্লি। অদুনদি ঙসি মালেমগী নুমিৎনি হায়জরবসু মণিপুরগী মফম অয়াম্বা, দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পাক শন্না যোগ নুমিৎ পাঙথোল্লিবসে ইরমদম অসিগী অফবা ময়োল অমনি। নাকল অমরোমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পূন্নমকপু য়োনবা, চাবা থিংদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। হায়রিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী লম্বী অসিনা মালেমসিদগী পুংমুৎ হেক মুৎপা নুমিৎ যোগনা মপাঙ্গল কল্লকপা নুমিৎ অনীসিগী লংদাই য়ৌরকপা মতমদদি পূন্নমক শান্তিগী লমদম হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি। অদুনা ঙসিদি ঐখোয় পূন্নমক্লা যোগগী অকনবা খোঙথাংদা ইচেল কনশিনমিন্নবা অমা চঙই। যোগ শান্নবনা পূক্লিং হকচাং ৱাখল পূন্নমক নুংঙাইহনবা, পোত্থাহনবা নত্তনা ফত্তবা লম্বীদি অমত্তা ওইদ্রি। পীক্লিবা অঙাংদগী চহী অহল ওইরবফাওবা মাগী মাগী চহী মতাংগী ওইবা শাজেলবু চাং নাইনা শান্নহনবসে য়াম্না তঙাইফদবনি থমনীংই। মীওইবগী লীচৎ শাজৎ শেমদোকপদা যোগনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হোৎনরিবনা ঐখোয়গী পুন্সি মহিং, চাকচা য়ুথক পূন্নমক অহোংবা পুরকপা ঙমহনগনি নীংই। মতমসিগী কল্লবা লায়না তীলনা কয়া মফম খঙলক্ত্রিবসি যোগগী মতেংনা অমদি মনা মশিং চাবনা মরুওইবা থৌদাং লৌরবদি খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমগনি খল্লি। অরোইবদা চীফ পেত্রোন ভারত স্বাভিমান ট্রষ্টকী বাসুদেবনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পূন্নমক্লা পেন্নখি। মরমদি ঙসিগী শাংলবা চহী অহুমসিদা পটাঞ্জলি কাঙবুনা হোৎনরকপগী মহয়না সেন্টর ২০০০ গী মথক্তা লৈরকপা ঙল্লিবা পূন্নমক মীয়াম্না যোগবু থাজবীবদগীনি। অশেংবনি, ঙসিদি ইরমদমসিদসু যোগগী মরা তাবা হায়বদু ওইরে হায়বা ঙসিগী মালেমগী যোগগী নুমিৎনা তাক্লি। অদুবু খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলগী মালেমগী যোগ নুমিৎনা অরোইবা যোগ নুমিৎ পাঙথোকপা ওইরোইদবনা খুরাই লমলোং বজার লাইনিংথৌ অহনবা শঙলেন তান্না অমুক চৎপা তাখি।

মফম অসিদসু মালেমগী যোগগী নুমিৎ পাঙথোক্লবা শেম শারিবা কাঙবুদগী চেবাওগী মতেংনা যোগগী নুমিৎ য়াওবা ফংখি। শিল লাংলিবা কাঙবু দ সোসিয়েল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন খুরাই থৌদাম লৈকায়, অয়াংপল্লি রোদনি। হায়রিবা থৌবুশিং অসি ঐগীদি শাংলবা মরুপ মপিজা ঙাক্তনি। থৌরম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা সেন্ত্রেল কাউন্সিল ফোর রিছার্স ইন যোগ এন্দ নেচরোপেথি মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মতেং ফংদুনা পায়খৎলিবা থৌরমনি। য়াম্না মাঙজিল থারিবা খুরাই মায়কৈগী ওর্গেনাইজেসননি। নহারোলখক্তা নত্তনা অখঙ অহে, অহল্লোন কয়ানা চৈঙাক ওইরগা চৎলিবা ওর্গেনাইজেসন অমা হায়বদু ওইরি। মদুমক্তনবু ঙসি মালেমগী যোগগী নুমিৎ অসিদা শক্লাইরবা যোগগী লমদা মাষ্টর ইন যোগ ফিলোসোফি এন্দ মেদিটেসন ফংলবা ফুরাইলাৎপম সনাহল শর্ম্মানা হীরম অমদা মরীক চুম্না নৈনহনখি। হীরম অদুগী মমিং যোগ অমসুং মসিগী নীতিগী পুন্সি। মতাং চানা মফম চানা পনখিবা সনাহল শর্ম্মগী ৱাফম অশেংবনি। যোগনা পূন্নমক অচেৎপা মরী থমগদবনি। পূক্লিং হকচাং ৱাখল অমত্তা ওইনা থল্লবকান্দা অমগা অমগগী মরীসু অমত্তা ওইনা মীওইবা মশেলদা চিংশিনবা ঙমগদৌরিবনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। অদুবু যাগগী মশান্ননা কান্নবা ময়াম অমা পীরবসু মদুগী ওন্না তৈনবরোমদা চৎখিদনবদি হোৎনবা চুমই। অয়ূক অঙনবদা হৌগৎতুনা হুমাং তাবমখৈ শান্নরবসু নুপী ওইবী কয়া অমদি মচিন্দা ক্বা জরদা শাইবা তোক্তবা ময়াম অমা য়াওরি। থাদোকপা ঙমদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইরবদি হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্কনি। মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। চেকশিনবা য়াম্না দরকারনি। নুপী ওইবীশিং যোগগী কান্নবা লৌসি হায়রবদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা তোকপীয়ু।

অদুগা ঙসি মালেমগী যোগগী নুমিৎ লায়বক ফবনা মফম অনীখক য়াওবা ফংজবদু অরোইবগী মফম অসিনা ঐঙোন্দা চল্লিবা পাউখোংসিমদি ফোংলরোই। অহল লমন্না হায়নবা খুরাইগী সাধু অমগা ৱাংখৈগী গুন্দা অমগা পানবদা খুরাইগী সাধুনা হেল্লি হায়বদুমক থোকখ্রে। পটাঞ্জলি সমিটি মঙা পুন্দুনা পাঙথোকপা চাউরবা মীফম অদুগা পীক্লবা খুরাইগী ওর্গেনাইজেসন অমনা চম্না পাঙথোকপা মালেমগী যোগ নুমিৎকা খেন্নবদু ঐঙোন্দদি খুরাইনা মপান নাইহনদ্রে। মরমদি যোগদা মাষ্টর ফংলবা শক্লাইরবা মীশক অমগী নুংগী ওইবা ৱাফম কয়াদা মরীক চুমখ্রবা। অসুম্না পটাঞ্জলি সমিটি মঙাগীসু শক্লাইরবা রিছোর্স পার্সন অমখক্তং হাপ্পীরল্লবদি হেন্না মপূং ফারমগদ্রা খঞ্জবনি। লোয়ননা কমন প্রোটোকোল অদুসু মচা খায়না মেদাম ইন্দুবালানা শিনবীখিবা য়াম্না মশক থোকখি। অথোইবা মীথুংলেন লৌশাংবম রোমোলা দেবী কোর্পোরেটর ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৱার্দ নম্বর ২৩ নসু তঙাইফদনা ঐখোয় হৌজিক যোগগী খোঙথাংদা থাংজিনমিন্নবা দরকার ওই হায়খিবদো নুপী অমা ওইননি হায়বদো চপ চাবা মতাংনি। মরমদি মতম লৈবা খিবিক্তা হৌরকফম ওইরিবসি নুপী ঐখোয়দগীনি। নুপী ঐখোয় পূন্নমক ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। অদুনা ইচে ইচন পূন্নমক্লা যোগদা মায় ওনশিল্লক্লিবা অসি তুং হনখিদনবা হায়জনীংই হায়বদো কয়াদা ৱাহন্থোক লৈখ্রবা।

অরোইবদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা লমদম অদোমদগীদা নত্তনা মণিপুর পূম্বগী ওইনা খুন্নাইসিবু অচুম্বা মায়কৈদা পুনবা হোৎনরিবা থৌদাম রুহিনিকুমার। মীং অসিমক্লা ঙসিগী মোৎলবা খুন্নাই অসি মায়কৈ খুদিংমক্তা চুমথোক্লবা হোৎনবদা নোকফদেনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লগসু ঙসি থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নরিবা যোগবু অতোপ্পা লমফৈ মান্নবা মীং অমা ওনখিদনবা মীপাইহৌবদো য়াম্না চুমখ্রে। অশেঙবনি মাগী নুপীনা মাগী নুপা য়ুরাই চুবদু যোগ শান্নরবদি খরদি কোকপা ঙমগনি খন্না যোগদা পুশিল্লি। অদুবু অয়ূক্তনা যোগ নুমিদাংদনা যুগা ওন্থোকখ্রবদি যোগগী ৱাহন্থোক থোক্লরোই হায়রগা লোইশিনখিবদো নোকফদেগী দাইলোগতি নত্তে।